**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM**
**(DATE 29-08-2025)**

**কার্ড (এল) ঃ** রাজ্য অসিগী লন্নাই হোস্পিতালশিংদা থা অসিগী ১৬ তগী প্রধান মন্ত্রি-জন অরোগ্যা য়োজনা, পি.এম.জে.এ.ৱাই. কার্ড শিজিন্নবা থিংলে হায়না এসোসিয়েসন ওফ হেলথ কিয়ার প্রোভাইদরস ওফ ইন্দিয়া-মনিপুর চেপ্তরনা চেরোল অমা থোকখিবা অদু হন্দোকখ্রে।

মীয়ামনা কার্ড অসিগী খুদোংচাবা লৌদুনা লন্নাই হোস্পিতালশিংদা লেমা লায়েংবগী খুদোংচাবা মখা তানা অদুম্মক পীখিগনি।

**পুলিস (এল) ঃ** সেক্যুরিতি ফোর্সনা রাজ্যগী চীং অমসুং তমগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা থিবা হুম্বগী থবক চথবদা য়াল্লবা খুৎশু খুৎলায়শিং ফাগৎলে।

পুলিস কন্ত্রোল রুমনা থোকপা চেরোল অমনা হায়-ইম্ফাল ইষ্টকী শগোলমাং পুলিস ষ্টেসননা কোনবা পুরান চিরুগী চিংখোঙদা থিবা হুম্বগী থবক চথবদা ইনসার্চ রাইফল অহুম, মেগজিন অহুম, এ.কে. ফিফতি সিক্স রাইফল অমা, মেগজিন অনি, এ.কে. ফোরতি সভেন রাইফল অনি, মেগজিন অনি, এস.এল.আর. রাইফল অমা, নাইন এম.এমগী এম.পি. ফাইব রাইফল অমা, মেগজিন অনি অমদি তোঙান তোঙানবা মখলগী কাপ্পা য়ারিবা নোংমৈ মরু ২৩২ ফাগৎখি।

মসিগী মথক্তা জিরিবাম পুলিস ষ্টেসননা কোনবা জাইরোলপোকপী ভিলেজ অমসং মোংবুং মীতৈ ভিলেজতা থিবা হুম্বগী থবক চথবদা য়াল্লবা খুৎশু খুৎলায়শিং ফাগৎখি। বিষ্ণুপুর জিলাগী পাৎতোন মমাং এরিয়াদগীসু বোম য়াওনা নোংমৈ অমদি নোংমৈ মরুশিং ফাগৎখি।

**এরেষ্ট (এল) ঃ** মনিপুর পুলিসনা রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা কোম্বিং ওপরেসন চথবদা মীয়ামদগী নমদুনা শেল খায়বদা চেন্নবা লালহৌলুপশিংগী মীওই মরি ফাগৎলে।

পুলিসকী পাউনা হায়- ইম্ফাল ইষ্টকী পোরোম্পাৎ পুলিস ষ্টেসনননা কোনবা বামোন লৈকাইদগী কে.ৱাই.কে.এলগী মীওই অমা ঙরাং ফাগৎখি। অতোপ্পা থৌদোক অমদনা কে.সি.পি. (তাইবংঙানবা) কাংলুপকী মীওই অমসু ককচিংদগী ফাগৎখি।

অমরোমদা, লমশাং পুলিস ষ্টেসনননা কোনবা হৈবোংপোকপী মমাং লৈকাইদগী কে.সি.পিগী অতোপ্পা মীওই অমসু ফাগৎখি। পুলিসনা মখা তানা থিবা হুম্বগী থবক চথবদা তমেংলোং জিলাগী ফাইতোল পার্ট টুদগী মীওই অমা ফাগৎখি। মঙোন্দগী ব্রাউন্দ সুগর য়াওবা সাপোন কেপ ২২ ফাগৎখি।

**জাদোনং (এল) ঃ** ফ্রিদম ফাইটর হাইপৌ চাদোনং লৈখিদবগী ৯৪ শুবা কুমওন থৌরম ঙসি পাঙথোক্কনি।

মপুং ওইবা থৌরম ষ্টেট লেবেল হাইপৌ জাদোনং দেদ এনিভরসরি কমিতিনা শিনদুনা ইম্ফালগী কৈশাম্পাৎতা লৈবা জাদোনং পার্কতা পাঙথোক্কনি। থৌরম অদুদা জাদোনংগী মীতম মীয়ামনা লৈ কৎতুনা মহাক্কী মফমদা ইকায় খুম বা উৎকনি।

**এইদস (এল) ঃ** ঐচ.আই.ভি. অমসুং এইদসকী মরমদা স্কুল অমদি কলেজ মহৈরোইশিংদা নীংথিনা খঙহনবগী থৌরম অমা কুম্বী কলেজ অমসুং ন্যু মোদেল হায়স্কুল-কুম্বীদা ঙরাং পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদু দিষ্ট্রিক্ট এইদস প্রিভেন্সন কন্ট্রোল য়ুনিট-বিষ্ণুপুরনা শিনদুনা ইনটেন্সিফাইদ-আই.ই.সি. কেম্পেইনগী শরুক অমা ওইনা মনিপুর ষ্টেট এইদস কন্ট্রোল সোসাইতিগী মীৎয়েং মখাদা পাঙথোকখিবনি। লমদম অসিদগী

ঐচ.আই.ভি. এইদস মপুং ফানা মুথৎনবা মনিপুর ষ্টেট এইদস কন্ট্রোল সোসাইতি (মেক্স) না লেপ্পা লৈতনা হোৎনরি। মসিগী শরুক অমা ওইনা আই.ই.সি. কেম্পেইন রাজ্যগী রাজ্যপাল-অজয় কুমার ভালানা হৌদোকখিবনি। থা অনি চুপা চথরিবা কেম্পেইন অসিদা মীয়ামনা শরুক য়াবীদুনা লায়না অসি মপুংফানা মুথৎনবা হোৎনবদা তেংবাংবীয়ু হায়না মেক্সকী প্রোজেক্ট দাইরেক্তরনা আপিল তৌরি।

**এৱারনেস(এল) ঃ** লিননা চিকপা অমসুং মসিবু করমা থেংনগনি হায়বগী মতাংদা মীয়ামদা নীংথিনা খঙহনবগী থৌরম অমা ইম্ফাল ৱেষ্টকী লমফেলপাৎতা লৈবা এস.টি.দি.সি-আর.দি. ৱিংদা ঙরাং পাঙথোকখ্রে।

দিষ্ট্রিক্ট সরভিলেন্স য়ুনিট, ইন্টিগ্রেটেদ দিজিজ প্রোগ্রাম, আই.দি.এসকী ইম্ফাল ৱেষ্টনা শিনদুনা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী সি.এম.ও. ডা: এন.জি. দয়াবতি দেবী, দিষ্ট্রিক্ট সরভিলেন্স ওফিসার-ডা: অয়েকপম রিচার্টসন অমদি অতৈ মীওই কয়ানা শরুক য়াখি।

**মীফম (এল) ঃ** পঞ্চায়ট এদভান্সমেন্ট ইন্দেক্স টু পোইন্ট জিরো হায়বা হীরমদা অখন্নবা গ্রাম সভাগী মীফম অমা ৱাইতোন গ্রাম পঞ্চায়যকী কম্যুনিতি হোলদা ঙরাং পাঙথোকখ্রে।

গ্রাম পঞ্চায়টশিংগী মীহুৎ অমদি মৈরা পায়বাগী লুচিংবী কয়ানা শরুক য়াদুনা পাঙথোকখিবা মীফম অদুদা অমুক্তং শিজিন্নরগা হুন্দোকপা প্লাষ্টিক্কী পোৎলমশিং শিজিন্নদবা হায়বা ৱাখল্লোনদা মীয়ামদা নীংথিনা খঙহনখি। অসিগুম্বা মখলগী পোৎলমশিং শিজিন্নবা তোকবা মীয়ামনা মোত অমত্তা ওইনা য়ান্নখি হায়রি।

**স্পোর্টস (এল) ঃ** জোনেল এদুকেসন ওফিসার (জোন-টু) পোরোম্পাৎ ইম্ফাল ইষ্টনা কোনবা মফমশিংদা লৈরিবা মহৈ তস্ফমশঙশিংদা নেসনেল স্পোর্টস ডেগী থৌরম পাঙথোকবা খঙহনখ্রে।

লৈবাক অসিগী শকাইরবা হোকি শান্নরোই-মেজর ধ্যানচান্দগী মপোক নুমিৎ থৌরম পাঙথোকপগী শরুক অমা ওইনা শান্ন খোৎনবগী থৌরম অসি স্কুল স্কুলশিংদা পাঙথোক্কদবনি হায়রি। মসিগীদমক মহৈরোইশিংগী অয়ুক্কী এসেমব্লিদা শান্ন খোৎনবগা মরী লৈননা তৌগদবা থবক থৌরমশিং ওজাশিংনা লাউথোক্কদবনি। স্কুলশিংদা তৌগদবশিংগী মনুংদা ইন্দোর গেমস, ইন্দিজিনেস গেমস অমসুং অতৈ মশান্না কয়া য়াওরি।

**পিএমঃ** প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদি জপান অমসুং চাইনাগী নুমিৎ মরিনিগী খোঙচৎতা টোকিওদা থুংখ্রে।

প্রধান মন্ত্রিনা ঙরাং ভারত থাদোক্লমাইদা পাউমীশিংদা হায়-মহাক্কী জপান অমসুং চাইনা খোঙচৎ অসিনা ভারতকা লৈবাকশিং অসিগা লৈনবা মরী হেন্না ফগৎহনবগা লোয়ননা শান্তি, সেক্যুরিতি অমদি চাউখৎপগী লন্বীদা খুমাং য়াংনা চংশিনবা ঙল্লগনি। প্রধান মন্ত্রিনা টোকিওদা পাঙথোক্কদবা ১৫ শুবা ইন্দিয়া-জপানগী চহিগী মীফমদা শরুক য়াগনি। মসিনা লৈবাক অনিগী ফিভম ফগৎহনবদা অচৌবা মতেং ওইরগনি।

মহাক্কী জপান খোঙচৎ লোয়রবা মতুংদা প্রধান মন্ত্রিনা চাইনাদা চৎতুনা সংহাই কোওপরেসন ওর্গনাইজেসনগী মীফমদা শরুক য়াগনি। মীফম অদুদা শরুক য়ানবগীদমক চাহনাগী রাস্ত্রপতি-সি.জিন পিংনা বার্ত্তন তৌরকখিবনি। সংহাই কোওপরেসন ওর্গনাইজেসনগী য়ামা মরুওইবা মেম্বর অমা ভারতনা ওইরিবনি। মীফম লোইরবা তুংদা প্রধান মন্ত্রিনা রাসিয়াগী রাস্ত্রপতি-ব্লাদিমি পুতিন য়াওনা অতৈ লুংচিবা কয়া উন্নবগী খুদোংচাবা লৌগদৌরি।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

পোকফমদা-ইম্ফালদসু কংগ্রেসকী ভোট চোর-গদি সোর রেল্লি পাওথোকখ্রে, মনিপুরদা কংগ্রেসকী লৈঙাক শোয়দনা লাক্লগনি হায়না এ.আই.সি.সি. মনিপুর ইনচার্জ-এম.টি. সবতাগীরি উলাকানা ফোংদোকখিবা ৱাফম অহানবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি সঙাই এক্সপ্রেস মনিপুরি এদিসনদনা অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

নহারোলগী থৌদাংদা-নেসনেল হায়ৰেদা চৎথোক চৎশিন তৌবদা অথিংবা পীরিবশিংগা লৈঙাক্কা নেগোসিয়েট তৌগদবা নত্তে হায়না লোক সভাগী এম.পি. অঙোমচা বিমোল অকোইজমনা ফোংদোকখিবা ৱাফমনা পাউচে অসিগী অহানবা লামাইদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

হুইয়েন লনাপাউদা-মে অহুম, ইং ২০২৩ দগী লাল হৌরকখ্রবা মতুং মোইরাং এসেমব্লি কন্সটিটুয়েন্সিদা রিলিফ কেম্প ২০ হাংখি। হৌজিক ১৪ লৈরি হায়না বেনর হেদলাইন তৌরি।

মোরনিং বেলদা-বিষ্ণুপুর জিলাগী দিপ্যুতি কম্মিস্নারনা সেল্ফ হেল্প গ্রুপ ১০ দা লুপা লাখ ১৫ গী শেনফম বিনিফিসরিশিংদা ফংহনবগী পাউ অহানবা লামাইদা ফোংলি।

সনা লৈবাক্তা-এম.য়ুদা নুমিৎ নিনি চথুগদবা নেসনেল সেমিনার হৌদোকখ্রে। নেসনেল হায়ৰেদা ফ্রি মুভমেন্ট য়াহন্দবা অসি মীয়ামগী হক মৎপনি হায়বা পাউনা অনিশুবা হেদলাইন ওইনা ফোংলি।

পিপপলস ক্রোনিকলদা-চুরাচান্দপুর জিলাদগী মীওই মরি দ্রগকা কোন্ননা অসাম পুলিসনা ফারে হায়বা পাউ অমা অহানবা লামাইদা ফোংলি। পাউ অসি সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস এদিসনদসু অহানবা লামাইদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

মনিপুর মেলদা-মনিপুরগী গভরনর অজয় কুমার ভালানা ২১ শুবা

গভনরস কপ ষ্টেট লেবেল ফেন্সিং চেম্পিয়নসিপ-২০২৫ হৌদোকখিবগী পাউ অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

গানফিয়ু মেলদা-মনিপুরদা লৈরিবা পোলিটিকেল পার্টিশিংনা পি.য়ু.সি.এলগী চয়েৎনবা রিপোর্টকী মথক্তা এফ.আই.আর. ফাইল তৌখ্রে হায়বা পাউ অহানবা হেদলাইন তৌরি।

তমেংলোং টাইমসতা-মরিফু তরামরিশুবা হাইপৌ চাদোনংগী নীংশিং কুমওন জেলিয়াংরোংনা খুন্দাবা মফমশিংদা পাঙথোক্কনি হায়বা পাউ অমদি মনিপুরদা দেঙ্গিগী কেস ৪৭০ শুরে হায়বা পাউ অমসু পাউচে অসিদা ফোংলি।